# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 27-11-2025)

**শঙাই (এল)ঃ** মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেলগী ঙসি ৭ নি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং য়াওনা মখল মথেলগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ভগ্যাচন্দ্র ওপন ইয়ার থিয়েটরদা মরিং, মোন্সাং অমসুং তরাউগী নাৎকী ওইবা জগোইশিং উৎলি। তুংদা ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্তরগী আর্টিষ্টশিংনসু কলা সংস্কৃতিগী ওইবা থৌরম কয়া উৎখি। মেইন ভেন্যু ওইরিবা হপ্তা কাংজৈবুংদা ফোল্ক দান্স কম্পোজিসন অমদি ফোল্ক এক্সপরিমেন্টেল মুজ্যিক উৎখি।

ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা এম.এস.এফ.দি.এসতা শঙাই ফিলম ফেষ্টিভেলদা মনোরঞ্জন লোংজমগী ফিচর ফিলম লাঙ্গোই অমদি লাইময়ুম শুরজাকান্টা শর্ম্মগী 'হয়েংনা কনাগীনো' উৎখি।

**অঙাং (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী পুখাউ এরিয়াদা হন্দক্তা খোঙজং চংশিল্লকপশিংগী মরক্তা য়াওবা অঙাংশিংদা অশোক অপন নংহনখিবা অদুবু মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিবকুমারনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-জবেনাইল জষ্টিস এক্ট-২০১৫ অমসুং য়ু.এন. কনভেন্সন ওন দা রাইটস ওফ দি চাইল্ডগী মতুং ইন্না, অঙাংশিংনা শান্তি ওইবা মওংদা অনিংবা অপান্বশিং ফোংদোকচবা য়াই, মীয়াম পুনবা মফমশিংদা অঙাংশিংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অশোক অপন থোকহল্লোইদবনি অমসুং মখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদবনি হায়বা ব্রাফমশিং অসি সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব

ওথোরিতিশিংনা নীংশিংফম থোকই।

মহাকা হায়-চহি অনি মখায়রোম ফাজিল্লক্লবা মনিপুরগী ইরাং অসিনা অঙাংশিংগী হকচাং, সাইকোলোজি অমসুং পুকিং ৱাখলদা চাউনা চৈথেং পীরি। অঙাংশিংদা লীচৈনা কনবা, টিয়ার গ্যাস কাপ্পা অমদি ফুবা চৈবগী থৌওংশিং তৌদনবা কন্মিসন অসিনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংদা হায়রি।

**সেনা (এল)ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-মনিপুরদা অথুবা মতমদা মীয়ামনা পামবা পোপুলর গভরমেন্ট অমা থমদুনা আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা হোৎনবীয়ু।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সহেব উধপ থাক্রে ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শিব সেনা মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম তোম্বীনা হায়-সরকার অসিনা সঙাই ফেষ্টিবেলসু পাঙথোক্কদবনি অদুগা চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা অশোয় অঙাম থোক্তবা য়ুমশিংদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি পীদুনা আই.দি.পিশিং হনজিলহন্নবা হোৎনগদবনি।

মহাকা হায়-চহি অহুম হেল্লক্লবা আই.দি.পিশিংগী সমস্যাশিং হৌজিক ফাওবা লোয়শিনবা ঙমদ্রি। মসিগী মথক্তা গৃহ মন্ত্রিনা নেসনেল হায়ৱেশিং অয়েৎ অপন লৈতনা চৎহন্নবা হায়খ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। আই.দি.পিশিংনা ময়ুম ময়ুমদা হনজিল্লগে হায়না চংশিল্লকপা খোঙজংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফু-চৈবা তৌবদগী অশোক অপন য়াওখিবা থৌদোক নুংঙাইতে। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগীদমক নোংমদা লুপা ৮৪ পীবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

**অমুর (এল)ঃ** তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ক্লব-তমেংলোং অমসুং তরুকশুবা বটালিয়ন অসাম রাইফলসকা পুন্না খুৎশমদুনা অমুর ফলকোন রন-২০২৫ ঙসি পাঙথোকখ্রে। লমজেল অদুদা নুপী ২২ য়াওনা পুন্না মীওই ৮২

শরুক য়াখি।

থৌরম অসি তমেংলোং জিলাদা অমুর ফলকোন হায়রিবা উচেক মখল অসি য়োকখৎনবা পায়খৎলকপা থবকশিং, চহি তরা শুরকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। অমুর ফলকোন কঞ্জারভেসনগী শরুক অমা ওইনা চহি অসিদা অমুর ফলকোন অহুম- অপাপাং, অহু অমসুং অলাংদা জি.পি.এস. ত্রেক্কিং তৌদুনা মখোয়না পায়খিবা, লৈফম অমসুং চাক্তফমগী মতাংদা কুপা য়েংশিল্লি।

**মেরিএজ(এল)ঃ** অঙাংশিংবু চহি শুদনা লুহোংবা থিংননবা ‘বাল ভিভা মুক্তা ভারত’ কী থৌরম ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি ‘বাল ভিভা মুক্তা ভারত’ কী থৌরম পাঙথোক্তুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: নিবেদিতা লাইরেনলাকপমনা লুচিংদুনা ওফিসিএলশিংনা ৱাশক লৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিয়ন-বিষ্ণুপুরনা পুন্না শিনদুনা মিণি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা চহি শুদ্রিবা অঙাংশিংবু লুহোংবা থিংনবা ৱাশক লৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিনদুনা ঙসি ককচিংগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পি. শান্তিকুমারনা লুচিংদুনা মীয়ামনা ‘বাল ভিভা মুক্তা ভারত’ কী ৱাশক লৌখি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল মেনেজমেন্ট এসোসিয়েসন (আই.আর.এম.এ) অনিনা পুন্না খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা ‘বাল ভিভা মুক্তা ভারত’ কী জিলা থাক্কী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সপরমৈনাদা লৈবা জে.কে. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চাইল্ড মেরিএজ প্রোহিবিসন ওফিসার-এন. সোখোঙাম বাইতে য়াওনা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

ফেরজোল জিলাদসু, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মননুৱামচিংনা লুচিংদুনা ‘বাল ভিভা মুক্তা ভারত’ কী ৱাশক লৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-তমেংলোংনা শিনদুনা ‘বাল ভিভা মুক্তা ভারত’ গী থৌরম ঙসি তমেংলোং জিলাদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-চুংলেনমাং কিপগেননা লুচিংদুনা ৱাশক লৌখি।

**পালিন (এল)ঃ** ২১ শুবা গ্লোরি ডেগী থৌরম ঙসিদগী চদোং ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা শিজ হোস্পিতাল এন্দ রিছার্সকী চেয়ারমেন কম মেনেজিং দাইরেক্তর-ডা: পালিন খুদোংবমনা হায়-থৌবাল মল্টি পরপজ প্রোজেক্ট লাকপদগী ঈশিং থুমজিন্দুনা হান্না মফম অদুদা লৈরম্বা খুঞ্জাশিংনা অতোপ্পা মফমশিংদা হোংদোকখিবা অদু গ্লোরি ডেগী থৌরমদা লাক্কুনা পুন্না শরুক য়ামিন্নবা অসি য়ামা ফবা থৌরম অমনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইচমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা-নোংথোম্বম রাজেন্দ্রো শরুক য়াখি। ২১ শুবা গ্লোরি ডেগী থৌরম অসি হয়েং লোয়শিনগনি।

**এমেস্কো (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমকা মশা মশাগী নাৎ অমসুং চৎনবীশিং ঙাক্কুনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ইম্ফালদা লৈবা ওল মনিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এমেস্কো) গী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু এমেস্কো, মনিপুরি নাৎ কনবা লুপ অমসুং ওল মনিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মশা মশাগী নাৎ-চৎনবীশিং ঙাক্কুনা মশাগী অশেংবা শক্তম য়োকখৎতুনা থমনবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ মমাং লৈকাইদা লৈবা সনাগী খোঙনাং ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগী চহিগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সকী চেয়ারমেন-কাঙাবম সদানন্দ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ডে (এল)ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন-জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ২০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংনা জিরিবামদা মহৈরোইশিংগী লুপ অসিনা লৌরকখিবা থৌদাংশিংবু শিংথাখি।

**দিএম (এল)ঃ** দি.এম. কলেজ ওফ টিচর এদুকেসন ইম্ফালগী ৫৩ শুবা এন্যুয়েল কলেজ ৱিক থৌরম ঙসিদগী কলেজ অসিগী কেম্পসতা হৌখ্রে।

ত্রেন্নিস য়ুনিয়ননা শিনবা নুমিৎ তরুকনি চুপা চথগদবা কলেজ ৱিক থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা হাউস মরি খায়দোক্তুনা অখন্নবা কো-কারিকুলর এক্তিবিতিশিংদা য়ুম্ফম ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

**কন্দোল (এল)ঃ** ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অমসুং য়ুনিয়ন অসিগী টার্ম তরুকলক প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট-মৈনম জোয়মঙ্গোলনা লৈখিদবদা য়ুনিয়ন অসিনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা ঙসি অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

**ফিল্ম ঃ** গৱাদা চথুরিবা ৫৬ শুবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াগী ঙসি ৮ নি চনবা নুমিৎতা কালা একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা-ন্যু নোর্থ ইষ্ট সিনেমা

এন্দ ফিল্ম স্কুলস হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মনিপুরগী মমিং লৈরবা ফিল্ম মেকর-হাওবম পাবনকুমারসু শরুক য়াদুনা মহাকা কুমজা ১৯৯০ দগী হৌদুনা হৌজিক ফাওবদা ফিল্মগী লমদা থবক তৌরকপদা থেংনরকপা শিংনবা কয়াগী ৱারী লিখি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৮ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**পিআইবিঃ** প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) না হায়রি-পাকিস্তানগী সোসিএল মেদিয়া একাউন্ট খরদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুগী শাশিন্নবা ভিদিও থাগৎতুনা অরানবা ৱাফম কয়া ফোংদোকপা থেংনরে।

পি.আই.বিগী ফেক চেক্কিং য়ুনিটনা হায়-ভিদিওশিং অসি আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) শিজিন্নদুনা শেম্বনি। ভিদিওশিং অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম মরক্তা লান্না লৌনবা য়াবা ৱাফম কয়া শন্দোক্লি। পি.আই.বিনা মখা তানা শেংদোক্লদুনা হায়-রাস্ত্রপতিনা অসিগুম্বা মখলগী ভিদিওশিংদা ফোংদোক্লিবা ৱাফমশিং অসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ঙাক্তনি। মীয়ামনা অসিগুম্বা ভিদিওশিংগী মতাংদা চম্মনবা লৈরবা অমদি অশেংবা অদু খঙনিংলবদি মোবাইল নম্বর-৯১-৮৭৯-৯৭১১-২৫৯ দা ফোন তৌবিরকউ নৎত্রগা ই-মেল-

ফেকচেক এদ পি.আই.বি. দোট গোভ. ইনদা থারকপা য়াগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, করনাতক অমসুং গৱাদা চৎকনি। শ্রী মোদিনা হয়েং করনাতক্তা থুংবগা উদুপিদা লৈবা শ্রী কৃষ্ণ মথাদা চৎকনি অমসুং মফম অদুদা পাঙথোকপা লক্সা কান্থা গীতা পরায়ানা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

মহাকা কৃষ্ণ সেংতমগী মমাংদা লৈবা সুবরনা ত্রিথা মান্তপাসু শঙ্গাগনি। শেংলবা লাইফম কনাতানা তিংবিদা লৈবা কালাকা কাদাচাসু শ্রী মোদিনা মীয়ামদা কৎথোক্কনি।

তুংদা, শ্রী মোদিনা গৱাদা চৎতুনা সরভা পনচা-সতামানোপ-সভাগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

**অমিত ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা বিহারগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-সমরাট চৌধুরিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ডন্নবা অদুদা শ্রী সাহনা হায়-এন.দি.এনা চাউনা মায় পাক্তুনা বিহারদা সরকার শেম্বা ঙম্বা অসিগীদমক বিহারগী মীয়ামবু থাগৎলি। বিহারদা লৈঙাক সাসনগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্দুনা, হেন্না চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা এন.দি.এগী সরকার অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**পোলোঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চংখরিবা ১৫ শুবা মনিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা-ইন্দিয়া পোলো টিম (বি) মনিপুরনা য়ু.এস.এ. পোলো টিমবু পাঞ্জল ৭-৪ দা থোইখ্রে।

ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৯ দা ইন্দিয়া (বি) মনিপুরগা কলম্বীয়াগা থেংনরগনি।

**শগোল কাংজৈ (এল)ঃ** ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা কংলা মনুং কাংজৈবুংদা চথরিবা শগোল কাংজৈ কপ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১৭-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-এক্স পোলো ক্লবনা তেন্থা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-৩ দা থোইখ্রে। থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্কদবা কপ অসিগী ফাইনেলদা চিংখৈ হুনবা পোলো ক্লব অমদি এক্স পোলো ক্লব থেংনরগনি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা আই.বি.এস.এ. য়ুমাম লৈকাইনা পি.এস.সি. খুয়াথোংবু রন-৮৩ দা থোইখ্রে।

মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-কে.সি.বি.ও. কোংপালনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলগী ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

**পেরাঃ** অসমাগী গুৱাহাতিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা অনিশুবা নোর্থ ইষ্ট পেরা স্পোর্টস মিট ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

মনিপুরগী ওইনা ডা: কিরন য়েন্দ্রেবমনা লুচিংদুনা শান্নরোই তরুক শরুক য়ারি।

**হোকিঃ** মালেসিয়াগী ইপো পেরাকতা চথরিবা ৩১ শুবা সুলতান অজলান সহা কপ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতকী নুপাগী হোকি টিমনা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। ভারতকী টিমদা মনিপুরগী নিলাকান্ত শর্ম্মা অমসুং মোইরাংথেম রবিচন্দ্র শরুক য়ারি।

**ক্রিকেটঃ** অগরতালাগী পুলিস ট্রেন্নিং একাডমীদা চথ্খরিবা নুপীগী চহি ২৩ মখাগী টি-টোইন্তি ট্রোফি প্লেট ৱিমেন্স ক্রিকেটতা মনিপুরনা মিজোরামবু রন-৪১ দা থোইখি।

**গেমস** ঃ ৬৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস অরুনাচল প্রদেশতা হৌজিক চথ্খরি। থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথ্খগদবা গেমস অসিদা রাজ্য ২৬, য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৬ অমসুং সেন্ত্রেল ওর্গনাইজেসন ৮ গী শান্নরোইশিংনা শরুক য়ারি। তাইকোন্দো মশান্নদা শান্নরোই ৮৯০, ৱেথলিফতিংদা শান্নরোই ৪০১ না অথোই অহেন তান্নরি।